# অফঘানিষ্টানদা লৈবা য়ু এসকী খ্বাইদগী চাউবা মিলিটরি বেজদা এটেক তৌদুনা মীওই ৪ হাৎখ্রে



কাবুল, নবেম্বর ১২ :

অফঘানিষ্টানদা লৈবা য়ু এসকী খ্বাইদগী চাউবা মিলিটরি বেজদা চথুখিবা সুইসাইদ বোম এটেক্তা মীওই মরি শিরে হায়না নেটোনা ফোঙদোকখ্রে। সিকুয়রিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা লৈবা মফম অদুদা সুইসাইদ এটেক্কর অমনা শিন্মী শারগা চঙলক্লগা এটেক অদু চথুখিবনি হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

কাবুলগী অৱাংদা লৈবা নিংথিনা ঙাক শেল্লিবা বাগ্রম এয়রফিল্ড মনুংদা চথুখিবা সুইসাইদ ব্লাষ্ট অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না টালিবান্না ক্লেম তৌখ্রে। এটেক অদুদা অতৈ মীওই ১৪ সু শোকখি। নিংথমথা চঙলক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা লালহৌবশিংনা লৈবাক শিন-থুংনা মখোয়গী এটেকশিং কনখৎলকখিবগা লোয়ননা এটেক অদু পাঙথোকখিবনি।

বোম পোকখায়বদুগী মতুংদা শিরিবশিং অমসুং শোক্লিবশিং অদুগী নেম্নেলিটিশিং খুদক্তা খঙবা ঙমখিদে। এটেক অদুনা য়ু এসনা লুচিংবা নেটোগী ফোর্সশিংনা হৌনবী মতুং ইন্না মখোয়গী কেম্বেট ওপরেসনশিং লোইশিনখিবা চহী কান্নরবা মতমসিদা অফঘানিষ্টানদা সিকুয়রিটিগী ফীভম লেপ্তুনা শোকচিল্লক্লি হায়বা উৎলি।

‘বাগ্রম এয়রফিল্ডদা এক্সপ্লোসিভ দিভাইস অমা পোকখায়খিবদা মীশি-মীনা কয়া থোকখ্রে। এটেক অদুদা মীওই মরি শিখ্রে লোয়ননা মীওই ১৪ শোকখ্রে’ হায়না নেটোগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

‘হৌজিক রেস্পোন্স টিমশিংনা বাগ্রমদা অশোকপশিং মখা তানা লায়েংলি অমসুং থৌদোক অদুবু থিজিল্লি।’

ব্লাষ্ট অদু সুইসাইদ এটেক্কর অমনা থোকহনখিবনি। মহাক্না বেজ অদুগী মনুংদা লৈবা দাইনিং ফেসিলিটি অমগী মনাক্তা মশা পোকখায়জদুনা এটেক অদু চথুখিবনি হায়না বাগ্রমদা লৈরিবা প্রোভিন্স অদুগী গভর্ণরগী স্পোক্সমেন ৱাহদ সেদিকিনা হায়খি।

‘ঐখোয়না হৌজিক ফাওবা ভিক্টিমশিংদু মশক খঙবা ঙমদ্রি তৌইগুম্বসুং এটেক্কর অদু মফমদুদা থবক শূবা অফঘান লেবরশিংগী মনুংদা অমনি’ হায়না সেদিকিনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

বাগ্রম দিষ্ট্রিক্টকী গভর্ণর অব্দুল শাকুর কুদুসিনা হায়খি, বোম অদু য়াম্না মপাঙ্গল লৈখি অমসুং এরিয়া অদুদা পুমনিন নিনখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অফঘানিষ্টানদা ক্রুপ ১০,০০০ রোম লৈ। খ্বাইদগী চাউবা কন্টিঞ্জেন্টদি বাগ্রম বেজদা লৈ।

এটেক অদুনা অফঘানিষ্টানদা খ্বাইদগী চেকশিন্না ঙাক শেনবা মিলিটরি ইন্সটোলেসনশিংগী মনুংদা অমনি হায়রিবা মিলিটরি ষ্টেসন অদুগী মনুংদা পান্বে অমা শিজিন্নদুনা অচৌবা এটেক অমা ইরাই লায়না পাঙথোকপা ঙমই হায়বদু উৎলি।

‘ঙসি লৈখিদবশিংগী ইমুংশিং অমসুং মরূপ-মপাংশিংগী মফমদা ঐখোয়না থম্মোয় শেংনা অৱাবা ফোঙদোক্লি’ হায়না অফঘানিষ্টানদা লৈবা য়ু এস অমসুং নেটোগী টোপ কম্মান্দর জোন নিকোলসন্না হায়খি।

টালিবানগী স্পোক্সমেন জবিহুনাহ মুজাহিদনা হায়খি, বাগ্রম মনুংদা চথুখিবা সুইসাইদ এটেক অদু মখোয়ননি। মদুদা লান্দারক্লিবা কাঙবুশিংদা মীশি-মীনা চাউনা থোকখ্রে। বাগ্রম এয়রফিল্ড অসি টালিবান লালহৌবশিংনা তোয়না এটেক তৌদুনা লাকখি। কুমজা ২০১৫ দা মীরৈবাককী ক্রুপশিংদা চথুখিব খ্বাইদগী শাথিবা এটেকশিংগী মনুংদা অমদা হৌখিবা দিসেম্বরদা মোটোরসাইকল তোংবা টালিবান সুইসাইদ বোম্মর অমনা বেজ অদুগী মনাক্তা য়ু এসকী লান্মী তরুক হাৎখি।

খ্বাইদগী নৌবা এটেক অসি শগোলশেল নুমিৎতা অফঘানিষ্টানগী নোদর্ন মজর-ঈ-শরিফ সিটিদা লৈবা জর্মন কোন্স্যুলেটতা টালিবান্না পৱারফুল ওইরবা ত্রক বোম এটেক অমা চথুখিবা মতুং মতম শাংনা কান্নদনা পাঙথোরক্লিবনি।

## কমলা হেরিশ য়ু এসকী অহানবা নুপী প্রসিদেন্ট ওইরকপা য়াই



ৱাশিংটন, নবেম্বর ১২ : ইন্দিয়ন ওরিজিন ওইবা কালিফোর্নিয়াগী এটোর্নি জেনরেল কমলা হেরিশ অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অহানবা নুপী প্রসিদেন্ট ওইরকপা য়াবগী পোটেন্সিয়ল লৈ হায়না মিদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। হিলারি ক্লিন্টন্না ফম অসি পায়নবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রবা মতুং নুমিৎ খরনি কান্নরগা রিপোর্ট অসি ফোঙলকখিবনি। ইন্দিয়াগী চেন্নাইদগী লাকখিবী নুপীনা পোকখিবী মপানা জমাইকাদগী ওইবা মশাগী চহী ৫১ শুরবী হেরিশনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মীখলদা কালিফোর্নিয়াদগী য়ু এসকী সিনেট সিট ফংদুনা ষ্টেট অসিদগী থাগৎলকখিবা অহানবা অমুবা অমসুং এসিয়ন সিনেটর ওইখি। মীখলদা মায় পাক্লবা মতুংদা কমলানা ট্রম্পকী এন্টি-ইম্মিগ্রেসন পোলিসীশিং অমসুং মীরম মচা কয়া পাক্তক্লনা দিপোর্ট তৌবগী মায়োক্তা লৈবাক শিন-থুংনা কেম্পেন হৌখি। ‘কমলা হেরিশপু থেংনৌ’ মহাক অহানবা নুপী প্রসিদেন্ট ওইরকপা য়াবীনি’ হায়না হুফিংটন পোষ্টনা ইরাই নুমিৎতা হায়খি।

## এগজিট পোলশিং, ইলেক্সন রিজল্টশিংনা ত্রম্পনা করম্না মায় পাকখি হায়বা উৎখ্রে




ৱাশিংটন, নবেম্বর ১২ :

এগজিট পোলশিং অমসুং ইলেক্সন রিজল্টসকী দেটানা য়ু এসকী প্রসিদেন্সিয়ল মীখলদা দোনাল্ড ত্রম্পনা হিলারি ক্লিন্টনগা লম্বা তৌনবদা করম্না মায় পাকখিবগে হায়বদু শেংনা উৎখ্রে।

জেন্দরগী ওইনা য়েংবদা নুপী অয়াম্বনা ক্লিন্টনদা ভোট পীখি। অদুগা নুপাশিংনা মশিং হেন্না ত্রম্পতা ভোট পীখি হায়না ন্যু য়োর্ক টাইমসকী এগজিট পোলসনা উৎলি।

নুপী চাদা ৫৪ না হিলারি ক্লিন্টনবু শৌগৎখিবদা চাদা ৪২ না দোনাল্ড ত্রম্পতা ভোট পীখি। অদুম ওইনমক অঙৌবা নুপী অয়াম্বনা (চাদা ৫৩) ত্রম্পপু শৌগৎখি হায়না সি এন এনগী দেটানা উৎলি।

নুপা চাদা ৫৩ না ত্রম্পপু শৌগৎখিবদা ক্লিন্টনবুনা চাদা ৪১ না শৌগৎখি। মসিনা দেমোক্রেটিক কেন্দিদেট অদুবু নুপীশিংনা শৌগৎপগী চাং কুমজা ২০১২ গা য়েংনবদা খরা হন্থখি হায়বা উৎখি। মমাঙগী ইলেক্সন অদুদদি নুপী চাদা ৫৫ না বারাক ওবামা (দেমোক্রেটিক কেন্দিদেট) বু শৌগৎখি। নুপা চাদা ৫২ না কুমজা ২০১২ দা রিপব্লিকান মিট রোমনিবু শৌগৎখি হায়বদি ত্রম্পনা হন্দক (রিপব্লিকান্না) ফংলিবা নুপাগী ভোট সিয়র মমাঙগীদগী হেনগৎখি। নহা ওইবা ভোটরশিংনা ক্লিন্টবুনা হেন্না ফেভর তৌখিবদা খরা চহী য়াম্বশিংনা ত্রম্পপু ফেভর তৌখি। চহী ১৮ দগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ভোটরশিংগী ওইনা য়েংবদা চাদা ৩৭ না ত্রম্পতা ভোট পীখিবগী মায়োক্তা চাদা ৫০ না ক্লিন্টনদা পীখি। চহী ৩০ দগী চহী ৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ভোটরশিংগী ওইনা য়েংবদা চাদা ৫০ না ক্লিন্টনবু শৌগৎখি। অদুগা চাদা ৪২ না ত্রম্পতা ভোট পীখি। চহী ৪৫ অমসুং মথক্তা লৈবা ভোটর চাদা ৫৩ না ত্রম্পপু শৌগৎখি। চৈরকসিদা, চহী ৪৫ দগী ৬৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ভোটর চাদা ৪৪ অমসুং চহী ৬৫ অমসুং ভোটর চাদা ৪৫ না ক্লিন্টনদা ভোট পীখি। মসিনা দেমোক্রেটিক কেন্দিদেট শৌগৎপা চহী ১৮ দগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ভোটরশিংগী মশিং কুমজা ২০১২ দগী হন্দক্লা হন্থে হায়বা উৎলি। মমাঙগী মীখলদা চহী গ্রুপ অসিগী চাদা ৬০ না ওবামাদা ভোট থাদখি। চহী ৩০ দগী ৪৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ভোটরশিংনা রিপব্লিকান শৌগৎপগী চাং ত্রম্পনা হেনগৎহনখি।

কুমজা ২০১২ দদি গ্রুপ অসিগী ভোটর চাদা ৫১ না রিপব্লিকান শৌগৎখি। তৌইগুম্বসুং চহী ৬৫ অমসুং মথক্তা লৈবা ভোটরশিংগী সিয়রদি হন্দক হন্থরকখি। চহী ৪গী মমাঙদা রোমনিনা গ্রুপ অসিগী ভোট চাদা ৫৬ ফংখি।

অঙৌবা ভোটরশিংনা ত্রম্পপু হেন্না শৌগৎনবগী ফীভম লৈখিবদা অমুবা, হিসপানিক নৎত্রগা লেটিনো অমসুং এসিয়ন ভোটরশিংনা ক্লিন্টনবু ফেভর তৌখি।

ক্লিন্টনগা য়েংনবদা ত্রম্পপুনা হেন্না অঙৌবা ভোটরশিংনা সপোর্ট তৌখি। অঙৌবা চাদা ৫৮ না ত্রম্পপু শৌগৎখিবদা চাদা ৩৭ না ক্লিন্টনবু শৌগৎখি।

পুংওন ওন্নবা ফীভম অমদা অমুবা ভোটরশিংনা ক্লিন্টনবু মপুং ফানা শৌগৎখি হায়বা য়াই। অমুবা চাদা ৮৮ না ক্লিন্টনদা ভোট পীখিবদা শুপ্লগী চাদা ৮ খক্লা ত্রম্পতা ভোট পীখি।

হিসপানিক নৎত্রগা লেটিনো ভোটরশিং অমসুং এসিয়ন ভোটরশিংনা ক্লিন্টনবু শৌগৎখি। গ্রুপ অনীমক্কী ওইনা পাবদা চাদা ৬৫ না ক্লিন্টনদা ভোট থাদখিবদা চাদা ২৯ খক্লা ত্রম্পতা থাদখি।

সিটিশিং অমসুং রুরেল এরিয়াশিংদা ভোট থাদনখিবগী মওংশিং মান্নখিদে। রুরেল ইনভাইরনমেন্টশিংদা ত্রম্পনা হিলারিদগী হেন্না ফীভম ফখি, অমরোমদা ক্লিন্টননা সিটিশিংদা ভোট ফংবা হেনখি।

মীওই ৫০,০০০ হেন্না লৈবা সিটিশিংদা ভোটর অয়াম্বনা (চাদা ৫৯ না) ক্লিন্টনগী ফেভরদা ভোট থাদনখিবদা ত্রম্পনা চাদা ৩৫ দমক ফংবা ঙমখি।

রুরেল এরিয়াশিংদনা পুংওন ওন্নখি। ভোটর অয়াম্বনা (চাদা ৬২ না) ত্রম্পপু সপোর্ট তৌনখি। ক্লিন্টননা রুরেল ভোট চাদা ৩৪ দমক ফংখি।

## ইরাকি ফোর্সশিংদা মতেং পাংবগীনি হায়দুনা আই এস মিলিটেন্টশিংনা মীচম কয়া মীয়াম মমাঙদা হাৎখ্রে

বাসিকা, নবেম্বর ১২ :

ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংনা মোসুলগী মীয়ামগী মায়োক্তা মীয়াম মাঙদা মী কয়া হাৎপা অমসুং অতৈ মীওৎ-মীনৈগী থৌওং কয়া চথুখিবগী পাউ কয়া হৌজিক ফোঙনরক্লে হায়রি। আই এস মিলিটেন্টশিংনা হাৎখিবশিংগী মনুংদা মীচম দজন কয়াগী নোংমৈনা পানবগী মফমশিংনা থল্লবা হকচাংশিং টেলিফোন পোলশিংদগী য়ান্থরগা থম্বশিং য়াওখি। মখোয়শিংদু সেলফোনশিং শিজিন্নদুনা ইরাকি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা পাউ লিক ওইহনখিবা মীওইশিংনি হায়না মরাল শীরবা মতুংদা হাৎখিবনি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী হ্যুমেন রাইট ওফিসনা হায়খি, চয়োল অসিদা মোসুলদা মীচম ৭০ হাৎখ্রে। মখোয়না মীচমশিংবু মরাল কয়া পীশিন্দুনা হাৎপগা লোয়ননা মীওই কয়াগী হকচাংদা কা হেন্না অৱা-অনা পীখি, নুপীশিং অমসুং নুপীমচাশিংবু সেক্স্যুএল এক্সপ্লোইটেসন চথুখি। মখোয়না অঙাং লান্মীশিংবু মীচমশিং হাৎহল্লগা ফিল্ম নমখি।

গ্রুপ অসিনা ইরাক্কী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা অনীশুবা অবার্ন ক্বার্টরসতা হন্দোকখিবগা লোয়ননা মখোয়গী মীনুংশি লৈতবা কা-হেনবা থৌওংশিং অসি খঙনরকখিবনি। মখোয়না য়ুম-কৈ অমদি মী চিল্লবা অবার্ন ক্বার্টরস অদুদা চঙশিনখিবা মতমদা মীচম মীয়ামবুসু হ্যুমেন সিল্ডশিং ওইনা লোয়নখি।

জিনেভাদা লৈবা য়ু এনগী হ্যুমেন রাইটস ওফিসকী রিপোর্টতা হায়খি, লৈবাকপোকপা নুমিৎতা আই এসনা মীওই ৪০ থাজবা মাঙহনবা অমসুং ইরাকি ফোর্সশিংদা মতেং পাংলম্বগী মরালদা কাপ্তুনা হাৎখি। সেলফোনশিংগী খুত্থাংদা ইরাকি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা পাউ ফাওনৈ হায়না মখোয়না মীশিংদুবু মরাল শীখি।

কোমলা মচুগী জম্পসুটশিং শেৎপা মখোয়গী হকচাংশিংদু মোসুলগী ইলেক্ট্রিকেল পোলশিংদগী য়ান্থরগা থমখি। থৌদোক্তুগী মতুং নোংমা লৈরগা এক্সট্রিমিষ্টশিংনা মিলিটরি বেজ অমদা মীচম ২০ কাপ্তুনা হাৎখি। মখোয়গী হকচাংশিং অদু মোসুলগী ট্রাফিক ইন্টরসেক্সনশিংদা ‘মখোয়না সেলফোনশিং শিজিন্নরগা পাউ লিক ওইহনখি’ হায়বা সাইনশিংগা লোয়ননা য়াল্লগা থমখি।

মোসুলগী মীওই অমনা টেলিফোনদা অসুম্না ফোঙদোকখি মদুদি, মীশিংনা মীহাৎশিং অদু কি-তুজুংবগা লোয়ননা য়েংখি। ভিক্টিম অমদি হান্নগী পুলিস কার্নেলনি হায়না মীওই অদুনা মশাগী মশক মমিং ফোঙদোক্তবীদা হায়খি।



HL-P/10539/13



HL-P/10537/13



HL-B/3401/20/10-19/11

## ইষ্টর্ন জপানদা ৬.২ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে

টোকিয়ো, নবেম্বর ১২ : জপানগী নোংপোক থংবা শরুক্তা ঙসি মেগনিচুদ ৬.২ য়ৌনা কন্না য়ুহা হাখ্রে হায়না য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেনা ফোঙদোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং খুদক্কী ওইবা অমাঙ-অতা থোকপগী পাউদি লৈত্রি।

লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৬.৪২ তাবদা টোকিয়োদগী কিলোমিটর ৩৫০ রোম লাপ্না মপুং ওইবা হোন্সু ঈথৎকী অৱাং-নোংপোক কোষ্টকী মনাক্তা কিলোমিটর ৪৪ লুবা মফমদা য়ুহা হাবা অদু থোকখিবনি। য়ুহা হাবা অদুগা মরী লৈননা সুনামিগী ৱার্নিং ইস্যু তৌখিদে। জপান অসি টেক্টোনিক প্লেট মরিগী জঙ্কসনদা লৈবগা লোয়ননা চহী খুদিংগী অকনবা য়ুহা হাবা কয়া থোকই। তৌইগুম্বসুং বিল্ডিংশিং শাবগী অকনবা চৎন-পথাপশিং লৈবা অমসুং মখোয়বু ষ্ট্রিক্ট ওইনা চৎনহনবনা য়ুহা হাবনা মরম ওইদুনা কন্না নিক্লকপা মতমদা য়ুম-কৈশিংদা অমাঙ-অতা কয়া থোক্লখিদে।

অদুম ওইনমক, কুমজা ২০১১ গী মার্চতা ঈশিং মনুংদা থোকখিবা অচৌবা য়ুহা হাবা অমনা জপানগী অৱাং নোংপোক থংবা কোষ্টতা অচৌবা সুনামি থোকহন্দুনা মীওই ১৮,০০০ হেন্না শিহনখি নৎত্রগা থিবা খঙহনখিদে অমসুং ফুকুসিমা ন্যুক্লিয়র প্লান্টদা লৈবা রিয়েক্টর অহুমগী কোরশিং নৎত্রগা সিল্ডিংশিং কা হেন্না শাগৎহন্দুনা শৌদোকখি।

## EMPLOYMENT NEWS

### UPSC Recruitment 2017 – 36 Assistant Labour Commissioner, Assistant Professor & Various Vacancies – Last Date 01 December 2016

**UPSC Recruitment 2017 – 2016**

Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of 36 Assistant Labour Commissioner, Assistant Professor & Various Vacancies. Apply Online before 01 December 2016.

Advt. No. : 20/2016

**Job Details :**

Post Name : Assistant Labour Commissioner
No of Vacancy : 33 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 5400/-
Post Name : Assistant Professor (Survey and Engineering)
No of Vacancy : 01 Post
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 5400/-

**Eligible Criteria for UPSC Recruitment :**
Educational Qualification :
For Assistant Labour Commissioner : Degree of a recognized University and Diploma in Social Work or Labour Welfare or Industrial Relations or Personnel Management or Labour Law from a recognized University or Institution.
For Assistant Professor : Degree in Civil Engineering or equivalent from a recognized University and Three years experience in Survey and Engineering.

Nationality : Indian
Age Limit : 35 years As on 01.12.2016

**Age Relaxation :**
For OBC Candidates : 3 years
For SC/ST Candidates : 5 years
For PH Candidates : 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Recruitment Test & Interview.

**Application Fee :** The candidates are required to pay a fee of Rs. 25/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST/PH/Women candidates who are exempted from payment of fee.

**How to Apply UPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in on or before 01.12.2016.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 01.12.2016
Last Date for Completely Submission of Online Application : 02.12.2016

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.upsc.gov.in/sites/default/files/Advt_202016_Engl_0.pdf

Apply Online : https://upsconline.nic.in/ora/VacancyNoticePub.php

### UPSC Recruitment – Combined Defence Services Examination (CDS -I) 2017 (443 Vacancies) – Last Date 02 December 2016

Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of Combined Defence Services Examination (CDS -I) 2017 for 463 Vacancies. Apply Online before 02 December 2016.

Advt. No. : 02/2017-CDS-I

**Job Details :**

Post Name : Combined Defence Services Examination (CDS -I) 2017
No of Vacancy : 463 Posts

**Name of the Course and No. of Vacancies :**
Indian Military Academy, Dehradun- 144th (DE) Course commencing in January, 2018 : 150 Posts
Indian Naval Academy, Ezhimala- Course commencing in January, 2018 Executive (General Service) : 45 Posts
Air Force Academy, Hyderabad- (Pre-Flying) Training Course commencing in February, 2018 : 32 Posts
Officers' Training Academy, Chennai- 107th SSC(Men)(NT) Course commencing in April, 2018 : 225 Posts
Officers Training Academy, Chennai- 21st SSC Women (Non-Technical) Course commencing in April, 2018 : 11 Posts

**Eligible Criteria for UPSC Recruitment :**
Educational Qualification :
For I.M.A. and Officers' Training Academy : Degree of a recognised University or equivalent.
For Indian Naval Academy : Degree in Engineering from a recognised University/Institution.
For Air Force Academy : Degree of a recognised University (with Physics and Mathematics at 10+2 level) or Bachelor of Engineering.

Nationality : Indian
Age Limit : As on 01.01.2018

For IMA & Indian Naval Academy : Unmarried male candidates born not earlier than 2nd January, 1994 and not later than 1st January, 1999 only are eligible.
For Air Force Academy : 20 to 24 years i.e. born not earlier than 02nd January, 1994 and not later than 01st January, 1998
For Officers' Training Academy : Male/Women candidates (married or unmarried) born not earlier than 2nd January, 1993 and not later than 1st January, 1999 only are eligible.

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Recruitment Test & Interview.

**Application Fee :** The candidates are required to pay a fee of Rs. 200/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST/PH/Women candidates who are exempted from payment of fee.

**How to Apply UPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in on or before 02.12.2016.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 02.12.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.upsc.gov.in/sites/default/files/Notice_for_website_in_English_FINAL_0.pdf
Apply Online : https://upsconline.nic.in/mainmenu2.php